# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, AUGUST 22, 2017 PAGE 7



*ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টিম অমা ওইরিবা এফসি পুনে সিটিদা নৌনা টিম অদুগী মপাঙ্গল হেনগৎনবা হাপচিনখ্রবা ব্রাজিল মচা মার্সেলো পেরৈরা*

*ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ক্লব ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনদা নৌনা শরুক য়ারবা মতুং লীগে ৱানগী অহুমশুবা মেটচতা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখ্রবা ব্রাজিলগী নেমর*



# স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা অমদি বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে





*সিনসিনাতি মাষ্টর্সকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবা স্পেনগী মুগুরুজা (ওই) অমদি নুপাগী টাইটল ফংখ্রবা বলগেরিয়াগী দিমিত্রোভ*

*সিনসিনাতি, ওগষ্ট ২১ঃ*

যুএসএগী ওহায়ো ষ্টেটকী সিনসিনাতি সিটিদা লৈবা লিন্দর ফেমিলি টেন্নিস সেন্টরদা নুপা অমসুং নুপী পুন্না লম্বা তৌনবা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন (সিনসিনাতি মাষ্টর্স) টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলশিং অদু স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা অমদি বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা লৌখ্রে।

সিনসিনাতি মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমদুনা টাইটল লৌখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা মুগুরুজাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকপদগী হালেপগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা স্পেনগী মুগুরুজাগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা মহাক্কী লম্বা ওইখিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপগী সার্ভিস গেম পুম্নমক ব্রেক তৌদুনা ৬–০ দা য়াম্না কোম্না থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

সিনসিনাতি মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রাইগিওসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রাইগিওসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী পোইন্ট মান্ন–মান্ননা চৎলম্লবা মতুং এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা থংনবা পোইন্ট অনী লৌখিবদগী সেট অদু ৭–৫ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ পিয়র ফ্রান্সকী পিয়েরি হুগুস হর্বট অমদি নিকোলাস মাহুটনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ পিয়র বৃটেনগী জেমি মুরে অমদি ব্রাজিলগী ব্রুনো সোর্সপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু পিয়র অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখিবদগী টাই ব্রেক ফাওবা পুরকখি। টাই ব্রেক অদুদা ফ্রান্সকী পিয়র অদুনা বৃটেন অমদি ব্রাজিলগী পিয়র অদুবু ৭–৬(৮–৫) তা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা ফ্রান্সকী পিয়র অদুগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা ফজবা মশান্না খরা উৎপা ঙমখিবদগী বৃটেন অমদি ব্রাজিলগী পিয়র অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।



*সিনসিনাতি মাষ্টর্সকী নুপাগী দবলস টাইটল লৌখ্রবা ফ্রান্সকী পিয়েরে অমদি মাহুট*

# বেদমিন্টন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী পার্ফোমেন্স ফজরি, স্রিকান্থ অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



*ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা রাউন্দ মায় পাকপা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ*

*গ্লাসগো, ওগষ্ট ২১ঃ*

স্কোটলেন্দগী কোনুং গ্লাসগোদা চথুরিবা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা শান্নরোই অয়াম্বা মখোয়–মখোয়গী মেটচ মায় পাক্তুনা ফজবা ঙল্লি। মদুগী মনুংদা নুপাগী সিঙ্গলসকী ওইনা গোল্ড মেডলগীদমক আশা তৌরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাকপা ঙমখ্রে।

গ্লাসগো ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ অসিদা নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা মমাঙগী মমিং লৈরবা চেম্পিয়ন কয়া মায়োক্লদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙম্লবগীদমক অচৌবা ৱাখল অমগা লোয়নননা শেম শারকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচ মায় পাক্তুনা আশা মখা তানা থল্লি।

নীংশিংবা য়াবদি চহী অসিগী ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী স্রিকান্থনা টুর্নামেন্ট অনী অদুদা মঙোন্দগী থাক ৱাংবা শান্নরোইশিং মায়থিবা ঙম্বগী থৌনা অদু গ্লাসগো ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদসু ফোঙদোকপা হৌখি।

মহাক্না অহানবা রাউন্দদা রুশিয়াগী সর্গে সিরান্তপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা য়াম্না কোম্না ২১–১৩, ২১–১২ তা মায়থিবা পীরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। স্রিকান্থনা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী লিন য়ু সিয়েনবু ১৮–২১, ২১–১৭, ২১–১৩ দা থোইরম্বা ফ্রান্সকী শান্নরোই লুকাস কোর্বিগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সমির বর্মনা স্পেনগী লম্বা পাব্লো এভিয়ানগা শান্নরকপদা অহানবা গেম অদু ২১–৮ তা মায় পাক্লবা মতুং অনীশুবা গেম অদুসু য়াম্না ফজবা মওংদা পোইন্ট ১৭–৪ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈ স্পেনগী শান্নরোই অভিয়ান মখা তানা শান্নবা ঙমদনা পোত্থাখিবদগী ইন্দিয়াগী সমির বর্ম ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টনভি লরনা অহানবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী শান্নরোই স্লোয়ে বির্সকা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং ১৭–২১, ২১–১০, ২১–১৯ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টনভি লরনা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী সুন জি হ্যুনগা লম্বা তৌনরগনি।

ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমসুং কে মনিসানা মিক্স দবলসকী অহানবা রাউন্দদা হোং কোংগী পিয়র টাম চুন হৈ অমসুং এনজি জি য়াওবু ২৪–২২, ২১–১৭ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

অতোপ্পা মিক্স দবলসকী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী প্রজাক্তা সৱান্থ অমসুং মালেসিয়াগী য়োগেন্দ্রন কৃষ্ণানননা চাইনিজ তাইপৈগী পিয়র লু চিং য়াও অমসুং চিয়াঙ কাই সিনবু ২১–১৫, ১৩–২১, ২১–১৮ দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং সুমিত রেদ্দি সাউথ কোরিয়াগী চুন ইয়ু সুক অমদি কিম জর্নৱালগী মখুত্তা ২০–২২, ১১–২১ দা মায়থিহৌখি।

# পাকিস্তাননা ৱার্ল্ড ১১, শ্রী লঙ্কা অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজ টুরগী য়ুম্বু ওইগদৌরি

*লাহোর, ওগষ্ট ২১ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটকী লমদা য়ুম্বু ওইবা য়াদবগী অথিংবা লৈরম্বদগী অয়াবা ফংলবা মতুং পাকিস্তাননা লৈবাক অদুদা ৱার্ল্ড ক্রিকেট ১১ গী টুর, শ্রী লঙ্কাগী ক্রিকেট টুর অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজগী ক্রিকেট টিমগী টুর য়ুম্বু ওইরগনি।

পাকিস্তানদা লৈরিবা সেক্যুরিটিগী অশোনবা জগাশিং অদু য়েংলগা মালেমগী ক্রিকেট শান্নবা লৈবাকশিংনা লৈবাক অদুদা ক্রিকেট শান্নবা লাকপা পামখিদবনি।

মফম অদুগী ফিভম ফগৎলে হায়না তাঞ্জা অদু য়ান্নখিবদগী চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা ৱার্ল্ড ১১ ক্রিকেট টিমগী টুর অমা হান্না শান্নগনি। মদুগী মতুং চৎলিবা চহী অসিগী ওক্তোবর থাদা শ্রী লঙ্কাগী ক্রিকেট টিম্না পাকিস্তানগা টি–২০ মেটচ অমা শান্নবা লাক্কদৌরি।

শ্রী লঙ্কাগী টি–২০ গী মেটচ অমগী টুর অদু লোইরবা মতুং ৱেষ্ট ইন্দিজগী ক্রিকেট টিম্মসু পাকিস্তানদা লাক্তুনা টি–২০ মেটচ অমা শান্নগদৌরি। ৱাফম অসি পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দকী চীয়রমেন নাজম সেথিনা লাহোর সিটিদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

# বৃটেনগী মমিং লৈরবা এঠলিট মো ফারা মহাক্কী মরমদমগী অরোইবা লমজেল মায় পাকখ্রে

*লন্দন, ওগষ্ট ২১ঃ*

মালেমগী নুপাগী লমজেলদা মমিং লৈরবা এঠলিট অমা ওইরিবা গ্রেট বৃটেনগী মো ফারানা মহাক্কী মরমদমগী অরোইবা কেরিয়রগী লমজেল অদু বিরমিংঘামদা পাঙথোকপা আইএএএফ দাইমন্দ লীগ কম্পিটিসনদা মিটর ৩০০০ গী নুপাগী লমজেলদা মায় পাক্লগা য়াম্না ফজবা মওংদা কেরিয়র লোইশিনখি।

ঙরাং বিরমিংঘামগী গ্রান্দ প্রি দাইমন্দ লীগ এঠলেটিক্স কম্পিটিসন অদুদা মমাঙগী ওলেম্পিক অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মকোক ওইদুনা লাকখ্রবা কম্পিটিসনগী য়ুম্বু ওইরিবা গ্রেট বৃটেনগী এঠলিট মো ফারানা মশান্না অসিদগী পোত্থাবগী লম্বেলদা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা অরোইবা লমজেল অদু নুপাগী মিটর ৩০০০ দা চেনখিবনি। মদুদা মহাক্না মকোক ওইরগা মশাগী কেরিয়র অদু য়াম্না ফজবা মওংদা লোইশিনখি।



মো ফারানা গ্রেট বৃটেনগী লৈহাওদা অরোইবা লমজেল চেনখ্রবসু মশাগী কেরিয়রগী ওইনা স্বিজরলেন্দগী জুরিক সিটিদা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা জুরিক ৱেল্টকলসিগী কম্পিটিসনদা মশাগী কেরিয়রগী অরোইবা কম্পিটিসন অদু ওইগদৌরি।

পনবা য়াবদি মো ফারানা মিটর ৩০০০ গী লমজেলদা মতম শাংনা চেম্পিয়ন ওইদুনা লাকখ্রবা মতুং মিটর ৫০০০ অমসুং মিটর ১০,০০০ গী কম্পিটিসনদসু চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মতুং হায়রিবা দিসিপ্লিনশিং অদুদগী পোত্থারগা মরাথোন লমজেলদা পুক্নিং চিংশিনগদৌরি।

মো ফারা মশামক্না বিরমিংঘাম গ্রান্দ প্রি দাইমন্দ লীগ এঠলেটিক্স কম্পিটিসন অদুদা মিটর ৩০০০ গী লমজেলদা মকোক ওইদুনা মহাক্কী পোক্নফম গ্রেট বৃটেনদা পাঙথোকপা অরোইবা কম্পিটিসনদা মকোক ওইদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা মহাক্কী ইমুং মনুংগা লোয়নননা ভাবকশিংনা পুন্না হরাওবা ফোঙদোকমিন্নখি।

মো ফারানা ফোঙদোকখিবদা মশাগী কেরিয়রদা ওলেম্পিক্সকী টাইটল ৪ রক লৌবা ঙম্বদা নত্তনা তোঙান–তোঙানবা ৱার্ল্ড টাইটল লৌখিবা অদু হান্না পান্দম থমখিদে। মহাক্কী হোৎনজমননা থাক অদু য়ৌরকপদা অপেনবা ফোঙদোকখি।

# স্পেনগী লা লীগাদা মমাঙগী চেম্পিয়ন রিয়েল মাদ্রিদ মায় পাকখ্রে, বার্সেলোনাসু মখোয়গী অহানবা লীগ মেটচ থোইখ্রে

*বার্সেলোনা, ওগষ্ট ২১ঃ*

কুমজা ২০১৭–১৮ গী স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী অহৌবা মেটচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন রিয়েল মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লব মখোয়গী লম্বা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে। লোয়ননা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবা বার্সেলোনাসু মখোয়গী অহানবা লীগ মেটচ অদু থোইখ্রে।

বার্সেলোনাগী ফুটবোল টিম্না স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ২০১৭–১৮ গী সিজনগী অহানবা লীগ মেটচ অদু রিয়েল বেটিসকা শান্নখি। মদুদা মমাঙগী সিজনদা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী মেসি–নেমর–স্বারেজ গী এটেক অদু হন্দক্কী সিজন অসিদা নেমর য়াওখিদবদগী মায়োক্লবা টিম অদুনা খুদোংচাবা লৌবা ঙম্লনবা তাঞ্জা থিবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী পুংখায় অমা শান্নবা লোইশিল্লবা ফাওবদা বার্সেলোনানা রিয়েল বেটিসকী মায়োক্তা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি। অমরোমদা রিয়েল বেটিসনা মখোয়গী মায়কৈদগী মমাঙগী সিজনদা লৈরম্বা পাঙ্গল শোত্থরবা বার্সেলোনাগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনশিন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখিবা অদু মহৈ য়ান্দনা লাকখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী ৩৬ শুবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী মায়কৈদা বার্সেলোনানা পুশিনখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী দিফেন্দর আলিন টোস্কানা শোয়বদগী চনখিবা পাঞ্জল অদুনা বার্সেলোনাগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৬ তা ঙাইরবা মতমদা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী সর্জি রোবর্টোনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা হাপচিনখিবদগী রিয়েল বেটিসপু ২–০ দা বার্সেলোনানা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা হোৎনখিবশিং অদু অরেম্বা তাখি। অমরোমদা রিয়েল বেটিসনা মখোয়দগী বার্সেলোনানা হেল্লিবা পাঞ্জল অনী হন্দোক্লবা হোৎনবা অদু ঙমদনা মেটচ অদু বার্সেলোনানা ২–০ দা থোইখি।

লা লীগাগী অতোপ্পা মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা রিয়েল মাদ্রিদনা মখোয়গী ২০১৭–১৮ গী অহানবা মেটচ অদু দিপোর্টিভো লা কোরুন্নাগা শান্নখিবা অদুদা ইৱা ৱাদনা অহেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩–০ দা থোইখি।

রিয়েল মাদ্রিদকী টিম অদুদা মখোয়গী ষ্টার প্লেয়র পোর্টুগাল মচা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো স্পেনিস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা রেফরি ইল্লুবগী মরালদা মেটচ ৫ অথিংবা থমখিবনা মরম ওইরগা শরুক য়াবা ঙমখিদে।

রোনাল্ডো য়াওখিদবা রিয়েল মাদ্রিদকী টিম অদুদা দিপোর্টিভো লা কোরুনাবু অয়াম্বা মতমদা লাকশিনবা ঙমদনা শান্নখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী ৱেল্স মচা জেরেথ বেলনা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী মতুং টিমমেট কাসেমিরোনা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

অহানবা হাল্ফ অদুগী মখা তারকপা পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা পাঞ্জল অনী শোত্থরবা লা কোরুনাগী শান্নরোইশিং পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইদুনা হাল্ফ অদু রিয়েল মাদ্রিদনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা রিয়েল মাদ্রিদকী টৌনি ক্রুজনা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিদুনা দিপোর্টিভো লা কোরুনাবু ৩–০ দা থোইখি।

ফ্রান্সতা চথুরিবা লীগে ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন পেরিস সেন্ট জর্মেননা টৌলুজেবু ৬–২ দা থোইখি।

টিম অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা হান্না বার্সেলোনাদা শান্নরম্বা নেমরনা অহানবা অমসুং অরোইবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পি এসজিগী মায়কৈদগী অতোপ্পা পাঞ্জল ৪ অদু রাবিয়োট, কাভানি(পেনাল্টি) অমসুং পাস্তোরেনা চনখি। টৌলুজেগী মায়কৈদগী মেক্স গ্রাদেল অমসুং খৃষ্টৌফর জুলিয়েননা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা টৌলুজেগী রাবিয়োটনা অহানবা হাল্ফতা ওন গোল অমা চনখি।



*দিপোর্টিভো লা কোরুন্নাগী মায়োক্তা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা রিয়েল মাদ্রিদকী জেরেথ বেলনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

# হরিকানা মমাঙগী গেম ৩ দ্রো চৎলবা মতুং মায় পাকপা ঙমখ্রে

*অবু ধাবি, ওগষ্ট ২১ঃ*

সাউদি অরাবিয়াগী কোনুং অবু ধাবিদা পাঙথোক্লিবা অবু ধাবি ইন্টরনেসনেল চেছ ফেষ্টিভেলগী মনুং চনবা মাষ্টর্স টুর্নামেন্টকী ৭ শুবা রাউন্দ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াগী নুপীগী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকানা মমাঙগী গেম ৩ দ্রো চৎলবা মতুং মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ৱার্ল্ড নম্বর নাইন পোজিসনদা লৈরিবী ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকানা ৭ শুবা রাউন্দ অদুদা শুপ্নগী চহী ১২ শুবদা ঙাইরিবা অজরবাইজানগী শান্নরোই সুলেমানলি ইদিনগা লম্বা তৌনবদা মায় পাক্তুনা ফেষ্টিভেল অসিগী ওইনা মকোক থোংবা শান্নরোইশিংগা লম্বা পীবা য়াবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

স্বিজ রাউন্দ ফোর্মেটতা রাউন্দ ৯ শুবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা রাউন্দ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াগী নুপীগী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবী ৱার্ল্ড নম্বর নাইন দ্রোনাভালি হরিকানা ৭ শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪.৫ ফংদুনা রুশিয়াগী ইভান রোজুমগা শান্নরগনি।

# ধোপাদেনা নেসনেল চেলেঞ্জর্স চেছ টুর্নামেন্টতা মাঙজিল থাদুনা চৎলি

*অহমেদবাদ, ওগষ্ট ২১ঃ*

গুজরাটকী অহমেদবাদ সিটিদা চথুরিবা নেসনেল চেলেঞ্জর্স চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা ১১ শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা স্বাপনিল ধোপাদেনা মকোক্তা লৈদুনা নেসনেলগী টুর্নামেন্ট ক্বালিফাই ওইবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

গ্রান্দমাষ্টর ওইরিবা স্বাপনিল ধোপাদেনা ইন্দিয়াগী চেছ টুর্নামেন্টকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ওইরিবা নেসনেল চেছ টুর্নামেন্ট য়াওবা ঙম্লনবা শান্নরোইশিং খনবগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা অহমেদবাদকী চেলেঞ্জর্স চেছ টুর্নামেন্ট অদুগী ১১ শুবা রাউন্দ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৯.৫ ফংদুনা খ্বাইদগী নক্লবা শান্নরোইশিংদগী পোইন্ট ১ হেল্লগা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

স্বাপনিল ধোপাদেনা ঙসি অহমেদবাদতা শান্নখিবা নেসনেল চেছ চেলেঞ্জর্স টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ১১ শুবা রাউন্দ অদুদা এম আর ললিত বাবুগা শান্নবদা দ্রো চৎতুনা হান্না ফংখিবা পোইন্ট ৯ দগী পোইন্ট ০.৫ হাপচিল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা পোইন্ট ৯.৫ ফংলগা মকোক্তা লৈবা ঙল্লি।